


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL,MONDAY, FEBRUARY 13, 2017 **PAGE 7**


*স্কোটলেন্দগী অহানবা ওইনা শান্নগদৌরিবা চেরিটি মেটচতা রোজর ফেদদরগা এনদি মুরেগা থেংন্নরগনি*

*বৃটিনগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মুরেনা ফ্রান্সকী মায়োক্তা দেভিস কপ ক্বার্টর ফাইনেল এপ্রিল থাদা শান্নরগনি*

## ২ শুবা হাল্ফতা শান্নবা চংলকখিবা ফেলিক্স ওদিলিচিদে গী পেনালটি গোলনা নেরোকা এফ সি অহুমলকশুবা মায় পাকখ্রে




*ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ১২ঃ*

নাইজেরিয়া মচা ফেলিক্স ওদিলি চিদে না অনীশুবা হাল্ফতা শান্নবা চংলক্তুনা পেনালটি গী তাংলবা গোলনা নেরোকা এফ সি অহুমশুবা ওইনা মায় পাকহন্দুনা পোইন্ট ৯ শুবা ঙমহনখ্রে। গোল অদু অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৪ হাপ্তুনা শান্নখিবগী অনীশুবা মিনিট মেটচকীনা ৯২ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

পেনালটি অদু হিন্দুষ্টান এফ সি, দিল্লিগী পেনালটি এরিয়া তম্না ফেলিক্স ওদিলি চিলি না পুশিল্লকপা বোলদা গোল ওন্থোক্নবা এটেম্প তৌখিবা কীক্তা হিন্দুষ্টান এফ সি গী দিফেন্দর ভিকাস সিংহ না বোল অদু ঙাখোক্লবা হোৎনবদা অতম্ননা মখুৎনা বোল ফারুবগীদমক ফং খিবনি।

নেরোকা এফ সি অমদি হিন্দুষ্টান এফ সি না শান্নখিবা হোম গী অনীশুবা মেটচ অদু হিন্দুষ্টান এফ সি গী হোমদা শান্নখিবা মেটচকা মান্ননা গোল ১–০ দা অমুক হন্না নেরোকা এফ সি দা মায়থিবা পীদুনা হিন্দুষ্টান এফ দি গী পোইন্ট ৬ লৌবা ঙমখি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শরুক্তা নেরোকা এফ সি না গোল চন্ননবা অতৎ–অখম লৈতনা হিন্দুষ্টান এফ সি গী মায়োক্তা বোল কয়া কাওশিনখি। লাইবক লৈতবনা গোল ওন্থোকপদি অমত্তা ঙমখিদে।

নেরোকা এফ সি গী এল বিসেশ্বর সিংহ না হিন্দুষ্টান এফ সি গী পৱান কুমার জোসি না ফাউল তৌরুবগীদমক রেফরিনা ৪২ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি। অনীশুবা হাল্ফ হৌগৎলকখিবগী অহানবা মিনিট মেটচকীনা ৪৬ শুবা মিনিটতা নেরোকা এফ সি গী অর্টা ইজমি না হিন্দুষ্টান এফ সি গী সহিন জোন দা ফাউল তৌরুবদগী অনীশুবা য়েল্লো কার্দ ফংবা শান্নরোই ওইখি। মসিগী কার্দ অসি মতুং তারকপদা নেরোকা এফ সি না মেটচ অসি মায় পাক্তবা য়াদে হায়দুনা মমাংগী হাল্ফতা শান্নরম্বা ফোর্মেসনশিং অদু হোংদোক্তুনা শান্নখি।

মেটচ অসি মপুং ওইনা মায় পাক্তবা য়াদবনা শান্নরোই অয়াম্বা মথক্তা শান্নদুনা হিন্দুষ্টান এফ সি গী মাইকৈদা গোল চন্নবা ষ্ট্রাইকর সুবাস অমদি অর্টা ইজুমি না গেল চনবা য়াবা এটেম্প কয়া কাওশিনখি অদুবু গোল ওন্থোকপদি ঙমখিদে।

সবষ্টিটুট ওইনা চংলকখিবা মলেমঙম্বা মৈ ক্ষে ত্রিময়ুম না ফজরবা পশিং কয়া অমদি বোল কন্ট্রোল নীংথিনা তৌদুনা শান্নখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অরোইবা মিনিট ৯৪ শুবা মতমদা নেরোকা এফ সি গী দেবিদ লালবিকজারা না রেফরিদা ফজ দবা থৌওং উৎলুবগীদমক য়েল্লো কার্দ অমা ফংদুনা নেরোকা এফ সি না মেটচ অসিদা য়েল্লো কার্দ অহুম ফঙখি ।

কার্দ অসি পীখ্রবা মতুংদা রেফরিনা অরোইবা হুইসেল খোংদুনা মেটচ অসি নেরোকা এফ সি না গোল ১–০ দা মায় পাকখিবনি। নেরোকা এফ সি গী মঙাশুবা মেটচ বরাসেট ষ্টেদিয়ম কলকাতা দা সাউথন সমিটি গা অৱে মেটচ শান্নগদৌরি। পনবা য়াবদি নেরোকা এফ সি না শান্নখিবা হোম মেটচতা সাউথন সমিটি বু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রবনি।

## সাউথ অফ্রিকানা আই সি সি ও দি আই তিম রেঙ্কিংগী মকোক্তা অমুক হল্লকপা ঙমখ্রে




*দুবাই, ফেব্রুৱারী ১২ঃ*

সাউথ অফ্রিকগী সেঞ্চুরিওনদা শান্নবা লোইশিনখিবা মখোয়গী হোম সেরিজদা শ্রীলঙ্কাবু ৫–০ দা মায়থীবা পীখিবদগী আই সি সি ও দি আই তিম রেঙ্কিংগী মকোক্তা অমুক হল্লকপা ঙমখ্রে।

সাউথ অফ্রিকানা নম্বর ৱান রেঙ্ক অস্ট্রেলিয়াদগী পোইন্ত মরি তাথরগা শ্রীলঙ্কাগী মায়োক্তা সেরিজ অসি শান্নখিবনি। অদুমওইনমক, অস্ট্রেলিয়ানা নিউ জিলন্দগী মায়োক্তা ০–২ দা মায়থীখিবা অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী হোম সেরিজদা শ্রীলঙ্কাগী মায়োক্তা ৫–০ দা মায় পাকখিবা অদুনা প্রোতিজ (পোইন্ত ১১৯) হৌজিক্তি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদগী মাঙ থারগা নম্বর ৱানদা লৈখ্রে।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়ানা অহুমশুবা মফমদা লৈরিবা নিউ জিলন্দ (পোইন্ত ১১৩) গী মতুংদা পোইন্ত ১১২ ফংলগা ও দি আই তিম রেঙ্কিংদা মরিশুবা মফমদা লৈখ্রে। সাউথ অফ্রিকানা রেঙ্কিংগী মকোক্তা অকোনবা ওইনা লৈরমখিবদু ২০১৪ গী নবেম্বর থাদনি। মদুগী মতুংদা ইন্দিয়ানা শ্রীলঙ্কাবু ৫–০ দা থোইদুনা নম্বর ৱানদা কাখি। মদুগী থাদুগী লোইরমদাইদা, অস্ট্রেলিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু ৪–১ দা মায়থীবা পীদুনা নম্বর ৱান অমুক ওইখি।

মসিনা সাউথ অফ্রিকানা হৌজিক চৎনরিবা রেঙ্কিং সিস্তেম অসি ২০০২ দা চৎনবা হেক হৌখিবদগী মকোক্তা লৈবা ঙম্বসি মঙারকশুবনি। মখোয় ২০০৭কী ফেব্রুৱারীদা, ২০০৮ গী মার্চ–মেদা, ২০০৯ গী জনুৱারী–অগস্ততা অমসুং ২০১৪ গী ওক্তোবর–নবেম্বরদা তোপ পোজি–

সন্দা লৈরমখি। ২০১৬ কী মে তাং ১ দা আই সি সি ও দি আই রেঙ্কিং চহী ওইনবা অপদেত তৌখিবদগীদি, সাউথ অফ্রিকানা ও দি আই ১৭ শান্নখ্রে, মদুদা ১১ অমনা ৱানা মায় পাকপা য়াওরগা ১৩ থোইখি, অহুম মায়থীখিবদুনা ৱেস্ত ইন্দিজগী মায়োক্তা অনী অমসুং অস্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা অমা অদুগা মেতচ অমনা রিজল্ত

ফংদনা লোইশিনখি ।সাউথ অফ্রিকানা হৌজিক্তি ফেব্রুৱারী ১৯ দগী মার্চ ৪ ফাওবা নিউ জিলন্দগী মায়োক্তা ও দি আই মঙা শান্নবা মরমদা মখোয়গা অস্ট্রেলিয়াগা খেন্নরিবা পোইন্ত য়ামখৎহন্নবা খুদোংচাবা অমা লৈরগনি। মকোক থংবা মফম অসি অদুম্মক

কন্দুনা লৈনবা, সাউথ অফ্রিকানা হায়রিবা সেরিজ অসি ৩–২ দা নত্রগা মসিদগী হেন্না ফগৎনা থোইবা তাই। করিগুম্বা নিউ জিলন্দনা ৩–২ দা থোইখিবা থোক্লবদি সাউথ অফ্রিকা পোইন্ট মচেৎ খরদা অস্ট্রেলিয়াগী মতুংদা হন্থরক্কনি।

চৈরকসিদা, শ্রীলঙ্কাগী পরফোর্মেন্স অদুনা পোইন্ত অহুম হন্থখ্রে। মখোয়না পোইন্ত ৯৮ ফংলগা তরুকশুবদা লৈরিঙৈসিদা মখোয়গী সেরিজ মমাঙদা বাংলাদেশতগী পোইন্ত ১০ মাঙজীল থারগা লৈরম্বদু তরেৎতা হন্থখিবগা লোয়ননা নীপানশুবা রেঙ্ক পকিস্তানননা পোইন্ত অনী হন্থখি।

ইংলন্দনা সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবদা আই সি সি ও দি আই তিম রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংবা তিম তরেৎকী মনুংদা চনখি অমসুং আই সি সি ক্রিকেত ৱার্ল্ড কপ ২০১৯ গীদমক ওতোমেতিক ক্বালিফাই ওইরগনি। আই সি সি ৱার্ল্ড ক্রিকেত লিগতগী লৌখৎপা সাইদ তরুক্তা লোয়ননা ও দি আই তেবলদগী খনগৎপা লেমহৌরিবা তিম মরিদুনা মে ৩০ দগী জুলাই ১৫ ফাওবা য়ুনাইতেদ কিংদমদা পাঙথোক্কদবা ওভর ৫০ গী ইভেন্ততা মফম অনী মুন্ননবগীদমক আই সি সি ক্রিকেত ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়র ২০১৮ দা শান্নবা য়াওগনি।

## পেরেস জেপচিরচিরনা নুপীগী ৱার্ল্ড হাল্ফ মরাথোন রেকোর্দ থুগাইখ্রে

*অবু ধাবি, ফেব্রুৱারী ১২ঃ*

য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী (য়ুএই) রাস এল খাইমাহদা পাঙথোকখিবা আরএকে হাল্ফ মরাথোনদা ১ঃ০৫ঃ০৬তা চেন্দুনা কেনয়াগী পেরেস জেপচিরচিরনা নুপীগী হাল্ফ মরাথোনদা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থুগাইখ্রে। মমাঙ চহি ২০১৬তসু হাল্ফ মরাথোনগী ৱার্ল্ড টাইটল লৌখিবী মশাগী চহি ২৩ শুরবী কেনয়ান অসিনা চহি অনিগী মমাঙ বার্সেলোনাদা কেনয়াগী অতোপ্পা লমজেল্লোয় ফ্লোরেন্স কিপলাগটনা শেমখিবা হান্নগী রেকোর্দ অদুদগী সেকেন্দ অহুম ফগৎনা চেন্দুনা অনৌবা রেকোর্দ অদু থমখি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ চহিগী লোইরকপা শরুক্তা থা অনি নিমোনিয়া নাদুনা লৈরম্বী পেরেস জেপচিরচিরনা কিলোমিটর ২০গী ইভেন্ট তসু ১ঃ০১ঃ৪০দা চেন্দুনা বার্সেলোনাদা কিপলাগটনা চেনখিবা অদুদগী সেকেন্দ ১৪ মাঙজিল থাখিবদা নত্তনা মিক্স লমজেলদা খ্বায়দগী য়াঙবী ওইখি।

অমরোমদনা, অহুম্লক আরএকেগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবী মেরি কৈটানিসু ১ঃ০৫ঃ১৩দা চেন্দুনা মশাগী রেকোর্দ থুগাইজখি অদুগা জোইসিলিন জেপকোস্কিসু ১ঃ০৬ঃ০৮দা মহাক্কী পন্থুং অদু য়ৌদুনা ইভেন্ট অসিদা কেনয়া মচাখক্তনা এৱার্দ পুন্নমক লৌহনবদা মতেং পাংশিনখি।

নুপাগী কাঙলুপ্ত না হন্ট রনেসনেল এসোসিয়েসন ওফ এঠলেটিক্স ফেদরেসনগী (আইএএএফ) ৱার্ল্ড হাল্ফ মরাথোন চেম্পিয়নশিপ অমসুং ৱার্ল্ড ক্রোস কন্ট্রিগী সিলভর মেদলিষ্ট বেদন কারোকিনা অরোয়বা কিলোমিটর অহুমদা য়াম্না য়াঙনা চেনখিবদগী ৫৯ঃ১০দা য়ৌদুনা মকোক থোংবা মফম কনখি। মিটর ১০,০০০দা মমাঙ চহিগী ওইনা খ্বায়দগী য়াঙবা লমজেল্লোয় ওইখিবা ইথিওপিয়াগী য়িগ্রেম দেমেলাশনা ৫৯ঃ১৯গা লোয়ননা অনিশুবা মফম কনখি অদুগা কেনয়াগী অগষ্টিন চোগেনা ৫৯ঃ২৬তা চেন্দুনা অহুমশুবা তাহৌখি।

## মঙাল এফ সি না চহি ১৭ মখা অমসুং কে ৱাই এফ এ চহি ১৪ মখাগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে




*ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ১২ঃ*

থাংমৈবন্দ এঠলেটিক য়ুনিয়ন (থাউ) না শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাংথোকপা ৩০রক শুবা চহি ১৪ মখাগী অমদি ২৪ রক শুবা চহি ১৭ মখাগী ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচশিংদা চহি ১৪ মখাগী ওইনা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈনা এম পি এস এ পুংদোংবমবু মায়থিবা পীদুনা অমদি চহি ১৭ মখাগী ফাইনেলদনা মঙাল এফ সি না মাইবিয়া, এস এ বু থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

চহি ১৪ মখাগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ক্লব কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈনা ভি এস এ আই না কল্লকপা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২০ ফঙখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাখিবা এম পি এস এ, পুংদোংবমসু বি এস এ আই না কল্লকপা লুপা লিশিং ১০গী শেলগী মনা ফঙখি।

চহি ১৪ মখাগী কম্পিটিসন অদুদা এম পি এস এ গী থৌনাওজম ৱাংথোইনা খ্বাইদগী ফজবা মনা ফঙখি।

চহি ১৭ মখাগী ফাইনেলদা মঙাল এফ সি না টাইটল ফঙদুনা খুমুকচম ষ্ট্রষ্টনা কল্লকপা লুপা লিশিং ৩০ গী শেলগী মনা ফঙখি।

অদুগা কাংলুপ অদুদা রন্নর্স অপ তাখিবা মাইবিয়া এস এ না খুমুকচম ষ্ট্রষ্ট এ মাইকৈদগী কংথোরকপা শেলগী মনা লুপা লিশিং ২০ ফঙখি।

কাংলুপ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইগী মনা অদুনা মাইবিয়া এস এ গী টি ঐচ অরজুননা ফঙখি।

হায়রিবা শান্নরোই অদুদা মাইবম ছৌরাজিৎ সিংহ অমসুং মাইবিয়া ফাউন্দেসন্না শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ২ ফঙখি।

## এনগোলাদা লৈবা স্তেদিয়ম অমদা নেৎশিন্নবদা ভাবক ময়াম অশোক অপন নংখিবগা লোয়ননা মীওই কয়া শিরে

*লোন্দা, ফেব্রুৱারী ১২ঃ*

য়ামদ্রবদা ফুতবোল ফেন ১৭ ঙরাং অৱাংথংবা এনগোলাদা লৈবা স্তেদিয়ম অমদা নেৎশিন্নবদা শিখ্রে, অতোপ্পা ভাবক ময়াম অমসু অশোক অপন নংখিবগা লোয়ননা মখোয় অয়াম্বদি ফীবম লুনা লৈরি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

এনগোলাগী দোমেস্তিক লিগ সিজন অসিদা সন্তা রিতা দি কেসিয়া অমসুং রিক্রিএতিভো দি লিবোলো অনীগী মরক্তা উইগি তাউনদা শান্নখিবা ফুতবোল মেতচ অদুদা তিনখিবা ভাবকশিংগী মরক্তা লাইবক থীবা থৌদোক অসি থোকখিবনি।

‘স্তেদিয়ম অসিদা জনুৱারী ৪ দা চঙফম অমা থিংজিনবা লৈখি, মসিগী লম্বী থিংজিনখিবা অদুনা ময়াম অমা মীশি মীনা থোকহন্দুনা মীওই ১৭ গী পুন্সি লোমখিবনি অমসুং অশোকপা ৫৬ হোস্পিতালদা লায়কন্নরি’ হায়না পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় ওরলান্দো বরনার্দোনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা, শিখিবশিংদুগী মরক্তা অমসুং হোস্পিতালদা লায়কন্নরিবা অশোকপশিংদুগী মরক্তা মশীং খঙদবা অঙাংশিং য়াওরি হায়খি। পুলিসনা হায়খি, ফেন চা কয়ানা মেতচ অদুবু য়েংনবা হান্নদগী পীক থন্না লৈখ্রবা স্তেদিয়ম অদুদা নমদুনা চঙনবা হোৎনরকপদা কৃক–কৃক তকশিন্নরক্তুনা মীওই খরদি লৈমায়দা তুখিবনি।’

শিখিবা অয়াম্বদি তুশিন্দুনা লৈরিঙৈদা অমনা অমনা পঙনেৎতা নেৎশিল্লম্বা নত্রগা শ্বর ফুনবদগীনি।

‘শান্নরোয়শিংনা শান্নবুঙদা শান্নরগা লৈরিঙৈদা, মপাল্লোমদা লৈবা ফেনশিংনা স্তেদিয়ম মনুংদা চঙবা ফংনবা হোৎনরগা লৈখি অমসুং গেত অমখক্তংদা য়ামখ্রবা মীয়ামদুনা পীশিল্লকপা শাফূ অদুনা মীওই কয়া অমা তুহনখিবা ওইরম্বা য়াই অমসুং তুরিঙৈদুদা মীয়ামদুদা মথক্তা নেৎ নেৎলগা চৎনখিবনি’ হায়না রিক্রিএতিভো দি লিবোলো ক্লবনা চেরোল অমা মসিগী ৱেবসাইততা থাদোক্তুনা ফোঙদোকখি।

‘মীওই ১৭ অমনা শিরে অমদুং য়ামদ্রবদা ৫৯ দি অশোক অপন নংলে হায়না হান্ননা কনফার্ম তৌখ্রে, মসিনা এনগোলান ফুতবোলগী ইতিহাসতা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মীশিনি ।

থৌদোক অদুবু হকথেংননা উহৌবা খরনা পাউদম্লকপগী মতুং ইন্না, ফেন অয়াম্বদি মেতচ অদুবু য়েনবা তিকেৎ পায়নখিদে হায়রি অদুগা অতোপ্পা রিপোর্তনদি স্তেদিয়ম মনুংদা লৈরিবা ভাবকশিংদুদি মেতচ অদু লোইদ্রিফাওবদি নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তু খঙনখিদে ফোঙদোক্লি।

ফিফা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা নম্বর ১৪৮ শুবদা লৈরিবা এনগোলা অফ্রিকান ফুতবোলদদি মপাঙ্গল খরা শোনবা তিম অমনি । লৈবাক অসি ইং ১৯৭৯ দগী সাশন পায়রক্লিবা ওথোরিতরিয়ন প্রসিদেন্ত জোস ইদোরদো দোস সন্তোসকী মখাদা মালেমগী অতৈ তিমশিংদগী নকশিন্নবা ঙমদনা লৈরক্লিবনি।

ফুতবোল মশান্না অসি নেৎশিন্নবা অমদি স্তেদিয়মদা শিবা নাবা থোকপগী অকি তুজুংবা পোকপা ইতিহাস অমা লৈজ–

রিবনি। মসি অয়াম্বা মতমদদি ক্রাউদ কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবা, শান্নফমশিং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা অমসুং ভাবকশিংগী লমচৎ শাজৎ লুদবা অদুননি হায়না চৈনরিবনি। ইং ২০০৯ দা, অবিদজানদা ক্রাউদ কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবদগী য়ুম্বু আইভোরি কোস্ত অমসুং মালাৱি অনীগী মরক্তগা ২০১০ ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়র অমা শান্নদ্রিঙৈদা ভাবক ১৯ শিখি। গেম অদুদা, সপ্পোর্তরশিংদু মখোয়গী তিমগী মায়থীবা নংখিবনা অশাউবা পোকহনখি, পোৎ চৈ ময়াম লংশিন্নরকখি অমসুং চৌক্রি কয়া থুদেকখি। পুলিসনা তিয়র গ্যাস কাপশিন্দুনা থৌওংদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা মায়কৈ শলাই খঙদনা পঙচেন্দা চেন্নবদগী নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তু থোকখিবনি।

ইং ১৯৬৪ গী মে থাদা, মীওই ৩২০ পেরু অমদি অর্জেন্তিনাগী অনীগী মেতচ অমা লিমাগী নেসনেল স্তেদিয়মদা শান্নখিবদা নেৎশিন্নবদা শিখি অমসুং ১০০০ হেনবনা অশোক অপন নংখি। ফেনশিংদু চপখায়নবা অদুদগী নান্থোকপা ঙমখিদে অমসুং পঙনেৎতা নেৎশিন্নবা নত্রগা শ্বর ফুন্দুনা শিখি।

বৃতেননা ইং ১৯৮৫ তা উনা শাবা ভাবক ফম্ফম অমদা মৈ চাক্লকপদগী মীওই ৫৬ শিখ্রবা মতুংদা মখোয়গী ফুতবোল গ্রাউন্দ অদু নৌনা শেমজিনখি অমসুং লিভরপুল সপ্পোর্তর ৯৬ না ইং ১৯৮৯ দা এফ এ কপ সেমি ফাইনেল অমা শান্নরিঙৈদা থোকখিবা নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা পুন্সি লোমখি।

## বার্সেলোনানা লা–লিগাগী টেবলদা মকোক থোংবা মফম কন্নবগী চাউরবা খুদোংচাবা অমা ফংলগনি

*মেদ্রিদ, ফেব্রুৱারী ১২ঃ*

এফ সি বার্সেলোনানা নোংমাইজিং নুমিৎ অলাভেসতা চৎতুনা কোপা দেল রে ফাইনেলগী অরোয়বা দ্রেস রিহর্সেল তৌবা মতমদা মমাঙ চহিগী ওক্তোবর থা মতুংদগী অহানবা ওইনা লা–লিগাগী টেবলদা মকোক থোংবা মফম কন্নবগী চাউরবা খুদোংচাবা অমা ফংলগনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অলাভেসনা সেল্টি ভিগোবু মায়থীবা পীরমখিবদগী অহানবা ওইনা কোপা দেল রেগী ফাইনেল চঙখি অদুগা শান্নরোই অনি রেদ কার্ড ফংখিবদগী মীওই মাপনখক ফিল্ডদা লৈহৌখিবা বার্সেলোনাসু অনিশুবা লেগ মেটচ অদুদা এঠলেটিকো মেদ্রিদকা গোল ১–১দা দ্রো চৎখি। অদুমকপু সিজন অহুমগী মনুংদা অনিরক শুবা ওইনা তোঙান তোঙানবা টাইটল অহুম ফংনবগী অচেৎপা পান্দম থল্লিবা বার্সেলোনাদি অলাভেসকা মায়োক্লরবা মতুং লৈবাকপোকপা নুমিৎতনা চেম্পিয়ন্স লিগকী মনুং চন্না ভেলেন্টাইন নুমিৎতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগসু অমুক শান্নগদবনা মখোয়গী পান্দম অদুদা চাউনা শীংনরক্কদৌরি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা বার্সেলোনাদি রিয়েল মেদ্রিদতগী পোইন্ট অমখক মখা থানা লৈরি অমদি য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স অসিদি থাংজ নুমিৎকী অথেংবা মতমখক্তঃদা ওসাসুনাগা মায়োক্ল গদৌরিবনা বার্সেলোনানা ওক্টোবর ২২দগী অহানবা ওইনা পুংজা খরদং ওইরবসু টেবলগী মকোক্তা লৈনবগী তাঞ্জা অমা ফংলগনি।

বার্সেলোনাগী মেনেজর লুইস এনরিকেসু লাক্কদৌরিবা মেটচ অসিগীদমক মহাক্কী ফিট ওইরবা শান্নরোই অনি – সর্গিও বুস্কেট অমদি এন্দ্রেস ইনেষ্টা অনিগী মরক্তঃ অমা খনবগী তাঞ্জা ফংলগনি অদুগা নেমারসু সস্পেন্দ লোইদুনা মেটচ অসিদা হল্লক্লগনি।

অমরোমদনা, রিয়েল মেদ্রিদসু সিজন অসিগী হোম মেটচতা হৌজিক ফাওবা মায় পাকপগী মহাও তংদ্রিবা ওসাসুনাগা মায়োক্লদুনা চয়োল অনিগী মতুংদা অহানবা ওইনা শান্নরগনি। সেল্টা ভিগোগী বলাইদোস ষ্টেদিয়ম অদু নোংলৈ নুংশিৎনা অমাঙ অতা থোকহনখিবদগী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স অমদি সেল্টা অনিগী মরক্তঃ শান্নগদবা মেটচ অদু মমাঙ চয়োলদা য়ৈথোকখিবনি অমদি মসিনা মরম ওইদুনা জিনেদাইন জিদানগী টিম অসিনা লেমহৌরিবা লিগ মেটচকী তঙ্খায় অমদি থা অহুম খরা হেনবগী মনুংদা শান্নবগী মথৌ তারি। অদুমকপু চয়োল অনিরোমগী ব্রেক অসিদগী চেম্পিয়ন্স লিগকী মনুং চন্না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা নাপোলিগা শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা জিদানগী মরুওইবা শান্নরোইশিং অশোকপদগী অমুক হল্লক্নবগী মতম ফংখ্রে।

ফুল বেক মার্সেলো অমদি দানি কর্ভাজালসু লুকা মোদ্রিক, জেমস রোদ্রিগ অমসুং পেপেগা লোয়ননা ট্রেনিংদা অমুক হল্লকখিবদগী গারেথ বেল মথন্তনা মেদ্রিদকী অশোকপা ওইদুনা লৈরি অদুগা টোনি ক্রুজসু সস্পেন্দ তৌখিবদগী মেটচ অসিদা শরুক য়াবা ফংলরোই।

অমরোমদনা, লুইস স্বারেজসু এঠলেটিকো মেদ্রিদকী মায়োক্তা য়েল্লো কার্ড অনি ফংখিবদগী রেদ কার্ড চাখিবনা কোপা দেল রেগী ফাইনেলদা শরুক য়াবা ফংলরোই।